ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕꯥ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯲꯴, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯰꯵ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, ওক্টোবর ২৪, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ২০৫শুবা মশীং

## ননাইনা কাও ফাজরক্লে নতাও খন্বা লাকখিসনু

‘থাজবা’ অমসুং ‘থাজনবা’ হায়বসিমক হৌখ্রবা নৎত্রগা তুংদা লাক্কদবা/থোরক্কদবা থৌদোক ৱাথোকশিংগা হকথেংননা মরী লৈনবসু য়াওই। অদুবু খ্বাইদগী মরু ওইরিবদি মী অমগা অমগগী মরক্তা লৈনবা/লৈনগদবা ফীভমনি। থাজবা হায়বসিমক্কী অশেংবা ৱাহন্থোক লৈহল্লকপদা মীকূপ অমনা, নুমিৎ খরনা, থা অমসুং চহী খরনা য়াদে। মতম চঙই। ‘রোম ৱাজ নোট বিল্ট ইন এ দে’ হায়বদুম্মক থোকই। অদুবু মসিগী ওন্ন-তৈনবদা মতম চঙনা শাগৎলকপা/লৈহল্লকপা থাজবা অমসুং থাজনববু শীংকুপ শানা থুগাইদুনা মাঙহনবদি অদুক হাক্লা মতম চঙদে, মিংনা কূপ্পদা ওইথোকহনবা য়াই। অদুবু মসিগী অশেংবা অচুম্বা মশক লৈহল্লগেদো হায়দুনা চপ য়ুংনা হোৎনরক্লগদি ঙমদবসু লৈরোই। অদুবু থাজবা অমসুং থাজনবা হায়বসিবু মাঙখ্রবদি পূম্নমক করিমত্তা কান্নদে, অরেম্বা ওই। হায়রিবা ৱাফমশিংসি থাজনবা লৈবা মীসু, লৈনদবা মীওইশিংসু শিৎ-নান্না খঙলমগনি। অদুবু থাজবা, থাজনবা অমসুং থাজনদবা ফীভমশিং অসিমক লৈহনবা/লৈহন্দবা ঙম্নদবদগী থোক্লকপশিং শোয়দনা ওইরমগনি। থৌদৌশিং অসিমক্কী চপ চাবা খুদম চাংদমশিং য়েলহৌঙৈদগী মণিপুরীশিংগা শাগোন্নদুনা লাকই। মোইরাং কংলৈরোলদা ফাওবা য়াওই। মোইরাংগী অঙাওবা ‘কাও’ ফাবগী হাক্তক্তা অঙোম নোংবাননা মোইরাং নিংথৌগী কোনুংদা মহাক্লা কাও ফারক্লে হায়দুনা চিংদুনা পুশিল্লকপদা মোইরাংগী অঙম্বশিংনা ‘নতাও খন্বা লাকখিসনু’ হায়খিবগী ৱারী লৈ। ৱাফমসি মোইরাংগী অঙম্বশিংনা অঙোম নোংবান্দা লৈখিবা থাজদবদুদগী থোরকপনি। মরম অসিনা থাজবা অমসুং থাজনবা হায়বসি অদুক্কী মতিক মমল য়াম্মী হায়বা য়াই হায়নীংই।

হন্দক চৎলিবা চহী ২০২২গী ফেব্রুৱারী ২৮ অমসুং মার্চ ৫দা তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা মীরেপ ওইখিবশিংগী মনুংদগী ‘শিকি অমত্তা চারোই’ হায়বা মীরেপ য়াওখি। মীখলদসু মায় পাক্লকখি। অয়াম্বা মীহুৎশিংনসু শেঞ্জা-থুমজা তৌগনিদি অমত্তা হায়খিবা য়াওদে। তৌরোই হায়খিবা ঙাক্তনি। ৱাফমসি পনখিদবা/হায়খিদবশিংগী মরক্তগী মায় পাক্লকখ্রবশিংদি শেঞ্জা-থুমজা তৌরে হায়বগী নত্তে। মীখলগী রিজল্ট লাওথোক্তুনা অনৌবা লৈঙাক লিংলক্লবা মতুংদসু লৈঙাকসিনা শেঞ্জা-থুমজা তৌরোই, মণিপুরদগী করপসন মরূ ফংনা মূথৎকনি হায়। ৱাফমসি য়াম্না তোয়না হায়। ওক্টোবর ১৯, ২০২২দা অহানবা মণিপুর রাইফলসকী পেরেদ গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা মণিপুর পুলিসকী ১৩১শুবা রেজিং দেগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা চীফ মিনিষ্টরনসু অমুক হন্না হায়খি। মখা তানসু হায়রকখিগদবা মাল্লি। তৌরগে খল্লিবনিনা তুংদসু হায়রকখিগনি। হায়রকপসু ওইসনু। ফংনীংলি হায়রিবা পান্দমদু মায় পাক্লা ফংবা ঙমসনু। মণিপুরদগী করপসন মরূ ফংনা মূথৎপসু ওইরসনু। অদুবু ৱাফমসি লৈঙাকসিগী মায়কৈদগীদি হৌজিক ফাওবদা চীফ মিনিষ্টর খক্তনা য়াম্না থৌনা ফনা অমসুং ইনশোন কাংদনসু হায়বগুম্না তৌরি। মিনিষ্টরশিংগী অমসুং লৈঙাক্কী মকোক চীফ মিনিষ্টরনা পূম্নমক্কী মহুৎ শিল্লগা হায়বসু ওইরম্বা য়াই। অদুবু অতৈ মিনিষ্টরশিংদগী হেন্দোরক্তুনা সিভিল অমসুং পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনসু অমত্তা চিংখদনা পাক্তক্লনা হায়বদা কয়াম কায়বগে? হায়রবসু হায়দ্রবসু হামু-হামুনি হায়দুনা হায়দবগী ৱারা নৎত্রগা চিন্না হায়দ্রবসু থবক্লা ওইনা তাক্লগে হায়বগী ৱারা? মসি ওইরগসু, হায়বদি হিংচাবীগী শরি ওইরক্লবা ফাওবদা ফোংনা মীয়াম মাঙদা হায়রকপগী নুংঙাইবদি মীয়ামদা পোকহল্লি। থাগৎপসু ফোঙদোক্লে। চিন্না অমা, খূৎনা অমা ওইরক্লবা ফাওবদা হায়খিবনি হায়বা’মা লৈবনিনা খজিক্তুংদা ওইরবসু হায়দোকখিবগী হৌনবি তৌরক্কনি হায়বগী ৱাখল খলহল্লি। শকখিবা ৱাশক ঙাকহন্নীংই, হায়দোকখিবা ৱা থবক্তা ওন্থোকহন্নীংই। লৈঙাক্কী মায়কৈদা লেপ্লিবা মীয়ামগী থবক-থৌরমশিং খূৎপায়নরিবা পূম্নমক্কসু অমত্তা ওইনা হায়বিরকউ। নতাও খন্বা লাকখিসনু হায়বগী ফীভমসু তাহন্নীংদে।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫২

১) ‘‘**মৈদিংঙু চীংথংখোম্বা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র**’’ হায়বা লাইরিক অসি কনানা খোমজিনবনো?

২) ‘‘**অমংবা নোংলক্কী নোংথাং**’’ হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) ‘‘**নির্মলা**’’ হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবদগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৪) ‘‘**বরাক তুরেল তোর্ব্বান্দা**’’ হায়বা লাইরিক অসি মণিপুর মপান লমগী অইবা অমগীনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) ‘‘**বীর টেকেন্দ্রজিৎ সিংহ**’’ (১৯৭৩) কৌবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## লৌমীশিংগী কাখল

## মণিপুরদা তিলহৌগী পোখোক হন্থবগী মরমশিং - ১

**ডো. এম থোইথোই সিংহ**

তিলহৌ য়োল্লগা পৈশা তানবখক নত্তনা তিলহৌ থাবনা লৈবাক লৈশাদা লৈরিবা নেমাটোদশিং অমসুং মখল কয়াগী লৈবাক্তগী পোল্লকপা লায়না তীলনাশিং হন্থহল্লি। তিলহৌ ফৈদোম নাইনা থাবতা নত্তনা মখল কয়াগী এঞ্জাং নাপী মরক্তা তিলহৌশিং য়েপশিল্লি; তিলহৌদগী শেল তানবখক নত্তনা লৈবাক লৈশাবুসু ফহল্লি।

তিলহৌবু য়াম্না পাম্না থানরবসু লম্‌সিদা খুমাঙ চাওশিনবদি ইঙম ঙমদে। মসিগী মরু ওইবা মরমশিংদি মখাগী অসুম্না নৈনবা য়াই।

*১) মরূ হুনবদা হৌবগী চাং নেম্বা।*

*(২) চারা হুনফম অমসুং লিংথোক্লবা ফৈদোমশিংদা হৌরকপা নাপীশিং শেন্নবা ৱাবা।*

*(৩) মতম চাদনা মপাল ঙন্না শাবগী চাং ৱাংবা।*

*(৪) লোক্লবা মতুংদা মতোন থোকপা। কুইনা থম্বা য়াদবা।*

*(৫) লায়না তীলনা তাবগী চাং ৱাংবা, মরু ওইনা পর্পল ব্লোটচ, বেসেল রোট অমসুং থ্রিপস।*

মরমশিং অসিদা নত্তনা অতৈ খুদোংচাদবা কয়াবুসু খঙদোক্তুনা কাঙলোন চুমহল্লবদি তিলহৌ থানীংবা মীওইশিংগী মীশিং হেনগৎলক্কনি। পেথোক হেনগৎহনবা ঙমগনি।

**১) মরূ হুনবদা হৌবগী চাং নেম্বা :** হুন্নবা তিলহৌ মরূশিং কুইনা থম্বা য়াদে। তিলহৌ মরূশিং হিংবগী মতম তেল্লি। ঐখোয়না মথং চহী থানবনি হায়দুনা লোক্লবা মরূ (সীদস) শিং লোক্লগা থম্বদা চহী অমদগী হেন্না থল্লবদি হৌগন্দে। দুকান্দগী লৈবা ওইরবসু মতম হেল্লবা মরূ শীজিন্নরোই। পেকেট কায়থোক্লগা চোইনা য়োনবা মরূশিংদি অমুক্কা হেন্না চেকশিন্নীংঙাই ওই। মরম অসিনা তিলহৌ থাবদা মায় পাক্তবগী মরম অসি ময়োন চোংবগী চাং নেম্বা অমসুং শাহৌ থিনবা তিলহৌ মখলশিং শীজিন্নবগীসু ওইবা য়াই।

**ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ :**

(ক) মরূশিং য়ারিবমখৈ অইংবা মফমদা থম্বীগনি

(খ) মরূ লৈবদা মশা ফরিবা, খাউদা হাল্লকপা কুইদ্রিবা মরূদমক লৈগনি

(গ) মরূ হুন্দ্রিঙৈদা মরূশিং ঈশিংদা পুং অনীদগী তরুক ফাওবা তিংহৌগনি।

**২) চারা হুনফম অমসুং লিংথোক্লবা ফৈদোমশিংগী নাপী :** তিলহৌ-চনম পাম্বীশিং কূংনা থাবা অমসুং মরূ থেন্না তাবা মরম্না খূৎনা নৎত্রগা খূৎলায়না পেঙবা খুদোং চাদে। নাপী ফুকপদা তিলহৌ পাম্বীশিং ফাওবা ফুল্লকপা য়াওই।

**ঙাকথোক্লবা পাম্বৈশিং :** মফম পীকপা মফমগীদি খূৎনা পেংথোক্কনি। চাওদা চাওখিবা মফম ওইরবসু তিলহৌ চারাশিং লিংথোকপগা খূৎলোনবা খূৎলোন্দবা থিদনা তেল্লপ (ইঞ্চি ৩-৪) কল্লবা চরূশিংনা ইঞ্চি ২-৩ থানা তিলহৌ মরকশিংদা শীজিন্নদুনা নাপী হৌহন্দবা য়াই। নাপী হৌহন্দবদা নত্তনা ঈশিং চাইবগী চাং হন্থহল্লি। চরূশিং পত্থরক্লবা মতুংদা লৈবাক লৈশাসু ফগৎহল্লি।

**৩) মতম চাদনা ঙন্না মপাল শাবা :** তিলহৌগী পোখোক য়াম্না হন্থবগী অচৌবা মরম অমনা মতম চাদনা মপাল শাবসিনি। ঙন্না মপাল শাবনা তিলহৌ মরূ (বল্ব) না চাওফম থোকপা চাং য়ৌনা চাওবা ঙমদে। ঙন্না মপাল শাবনা তিলহৌ মরূনা চাওফম থোকপা চাং য়ৌনা চাওবা ঙমদে। ঙন্না মপাল শাবগী মরমশিংদি -

(ক) থেংনা চারাশিং লিংথোকপনা ঙন্না মপাল শাবগী মরম ওইহল্লি। দিসেম্বরগী অথেংবা অমসুং জন্যুৱারীদা লিংথোকপসিনা তিলহৌনা মপূং ফাদ্রিঙৈদা অঙৈং অশাগী চাং অসি সেলসিয়স দিগ্রি ২০দগী ২৫ ফাওবা শাগৎলকপনা, মপাল থিনগৎলক্লবগী মরমসু ওই।

(খ) মনাগী শাহৌ থিনবা অসিসু মপাল ঙন্না থিনগৎলক্লবগী মরম অমনি।

(গ) অঙৌবা মখলগী তিলহৌ ওইরবসু মপাল ঙন্না শাৎকল্লি।

(ঘ) মণিপুরদা তিলহৌশিং অয়াম্বা মতমদা থা অনিমখায়মুক শুবদা লিংথোক্লে। মসিনা মপাল ঙন্না লাকহল্লি।

(ঙ) নাইট্রোজেন ৱাৎপা লৌফমদসু তিলহৌশিংনা মপূং ফাবা ঙমদনা মপাল ঙন্না শাৎলি।

**ঙাকথোক্লবা পাম্বৈশিং :**

(ক) মরূ তাবা মতমসি য়াম্লসু ঈংদবা, য়াম্লসু শাদবা সেলসিয়স দিগ্রি ১২গী মথক অমসুং সেলসিয়স দিগ্রি ২০গী মখাদা লৈবা মতমদা তাননবা মরূ হুনবগী মতম শেমদোক শেমজিন তৌবীগনি। ঙসিমক মরূ হুনবা য়ারে।

(খ) মপাল ঙন্না শাৎকন্দবা তিলহৌ মখলশিং থানবা হোৎনগনি। খুদম ওইনা প্রেমা, এগ্রিফাউন্দ, দার্ক রেদ, অর্লি গ্রানো, টেক্সাস অর্লি গ্রানো মমিং পনবা য়াই।

(গ) চারাশিং চয়োল ৬-৭ ফাওবগী মনুংদা লৈরিঙৈদা লিংথোক্লবা হোৎনগনি। মরূ হুনবদগী নুমিৎ ৪৫নি ফাওবগী মনুংদা লিংথোকপা ফৈ। খুদোংচাদবদি লিংনবা পায়বা নুংঙাইবা ৱাৎলি।

(ঘ) পাম্বীগী মচিঞ্জাক চপ চানা অমসুং মতম চানা পীনবা হোৎনগনি। মসিমদি থাবগী কাঙলোন ইরকপদা খন্নমিন্নরসি। ●

## ইন্টিগ্রেটেদ ন্যুত্রিএন্ট মেনেজমেন্ট (আই এন এম) করিনো, কানবনা করিনো?

**- এস সুমঙ্গল -**

হৌজিক্কী মতমদা ফোং ফোং শানা য়াম্না তোয়না ঙাঙনরিবা অমদি মীয়াম খঙননবা হোৎনরিবা ৱাফম অমা থমজবা তারগদি মহৌশাগী লৈজরম্বা লৈবাক লৈহাওগী ফীভমদা মীওইবা ঐখোয়না চাবা কোন্ননবা হোৎনবদা অকায়বা কয়া অমা মওং কয়াদা পীরুবদগী অমদি অতোপ্পা মরম কয়াদগী ঙসিদি মালেমগী অকোয়বগী ফীভম হায়বদি ঈশিং, নুংশিৎ অমদি লৈবাক লৈহাওদা অমাঙবা কয়া অমা থোক্লরে হায়বসি পূম্নমক্লা খঙনরবা ৱাফম অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। লৌউ-শিংউগী থবক কয়াদা শীজিন্নরিবা পোৎলমশিং খুদম ওইনা রসায়নগী হার, তিলহাৎ হীদাক, নাপি হীদাক অমদি অতৈ পোৎলম কয়াবু লান্না হায়বদি কাঙলোন চুমদনা শীজিন্নরুবদগী ঐখোয় মীওইবা য়াওনা অপীকপা মীৎনা উবা ঙমদবদগীনা অচৌবা, কানবা অমসুং কানদবা থৱায় পানবা কয়াদা অমাঙ অতা কয়া অমা থোক্লরে হায়বসিসু য়ানরবা ৱাফম অমনি। খুদম ওইনা ৱাহিক হাৎনবা দাইক্লোরভোস কাপ্পদা অতোপ্পা কানরবা ৱাহিকপু চাথোকপা ঙম্বা শন্দ্রেম্বী অসিসু য়াওনা হাৎলবনি। অসিদসু নত্তনা অতোপ্পা কানরবা থৱায় পানবা - হয়িং খোই, মি, ঙানচিংবা মীওইবদা কানবা পীরিবা কয়া অমসু হীদাকশিংবু লান্না শীজিন্নবদগী হাৎপীরবনি। মসিনা মহৌশাগী থৱায় পানবা/পান্দবা কয়াগী মরক্তা লৈজরম্বা খল কায়রে হায়নরক্লিবা অসিনি।

মথক্কী মরমশিং অসিদগী ঙসিদি তোঙান তোঙানবা তুং কোইগদবা লৌউ কাঙলোন কয়াগা লোয়ননা অনৌ অনৌবা অকোয়বগী ফীভমদা কায়হন্দবা, লৌউ শিংউবদা শীজিন্ননবা পোৎলম কয়া অমা পুথোক্লরক্লি। হৌজিক্কী অমদি তুংগী মীরোলগী খল্লগা হৌজিক্তি মখোয়শিং অসিবু খঙবা হায়বসি তঙাইফদবা মতম ওইরে। মসিগীদমক অনৌবা য়াম্না লিদ্রিবা ৱাখল্লোন অমা হায়বা তারগদি ইন্টিগ্রেটেদ ন্যুত্রিএন্ট মেনেজমেন্ট অসি য়াম্না মরু ওইবা অমনি হায়না থমজনীংই।

**ইন্টিগ্রেটেদ ন্যুত্রিএন্ট মেনেজমেন্ট করিনো ?**

ইন্টিগ্রেটেদ ন্যুত্রিএন্ট মেনেজমেন্ট হায়রিবা ৱাখল্লোন অসিমক মথক্তা থমজখ্রিবা তুং কোইবা লৌউ কাঙলোন ওইহনবা হায়বা অসিগী পান্দম ফংননবা লম্বী অমনি।

পাম্বীদা মচিঞ্জাক পীবা মতমদা অকোয়বগী ফীভম শোক্তনবা মওংদা ওর্গানিক্কী ওইবা হার, বাইওগী অমদি রসায়নগী হারশিং চাং চানা হাপমিন্নদুনা, ক্রোপ মখল মখা কয়াগী পোৎ থাবগা (দাইভরসিফিকেসন) লোয়ননা ক্রোপ রোতেসন তৌদুনা অমদি থারিবা পাম্বীশিংগী লেমহৌখাকশিং লৈবাক্তা অমুক হঞ্জিনবীদুনা লৌউ পোখোকশিং শেন্দোং লৈনবা মওংদা পুথোকপবু ইন্টিগ্রেটেদ ন্যুত্রিএন্ট মেনেজমেন্ট হায়না খঙনৈ। তঙাইফদনা মনাদা তোঙান তোঙানবা মনাদা কাপ্পা য়াবা হার মখলশিং কাপ্পসু য়াই।

ইন্টিগ্রেটেদ ন্যুত্রিএন্ট মেনেজমেন্টকী পান্দমদি - শন্নপ্না অসুম্না থম্বা য়াই - (১) রশায়ন, বাইও অমসুং ওর্গানিক্কী হার চাং চানা শীজিন্নদুনা লৈবাক লৈবাক্কী মগুণ অমসুং পোখোক হেনগৎহনবা (২) লৈবাক্তা লৈহাওগী (পাম্বীগী মচিঞ্জাক্কী) পুক্কে হেনগৎহনবা (৩) পাম্বীগী মচিঞ্জাক পাম্বীদা চাং চানা ফংবা হেনগৎহনবগা লোয়ননা অকোয়বগী ফীভম শোকহন্দবা অসিনি।

মসিগী তোঙান তোঙানবা মওং কয়া অমা লৈবা য়াই। ক্রোপ অমগা অমগা মান্নদবা য়াই। খুদম ওইনা ভর্মিকম্পোষ্ট শীজিন্নদুনা মনা মশিং থাগে হায়রবদি কাঞ্জুল অমদা গ্রাম ৩০০ (খুজোক অচৌবা ১) হাপ্পা অদুগা লোয়ননা অৱাৎপা অদু রাশায়নগী হারনা মেনখৎপসু য়াই। ষন্থি ষণয়ুংগী হার শীজিন্নগে হায়রবসু নিংথিনা হার ওল্লবা অদু শঙমদা ষণ গাড়ী মপোৎ ৭-৮ পোৎ থাগদবা থাখায় অমা ৱাৎলিঙৈ মতমদা লৌফমদা মমুৎ তানা খোইজিনবীহৌবা য়াই। অতোপ্পা হিংকুপশিংগী হার (বাইও ফর্টিলাইজর খুদম ওইনা এজোলা, রাইজোবিয়ম, এজোস্পিরিলম, ফোসফরস তুমহন্দুনা পাম্বীদা ফংহনবা ঙম্বা হিংকুপ (পি এস বি/ও), পোটাশ ফংহনবা হিংকুপ (কে এম ও) অসিনচিংবা কয়া অমা লৈখ্রে।

অখঙ অহৈ কয়ানা থিজিন হুমজিনবদগী ফংলকপা ফল ওইনা খঙবদি হায়রিবা মওং অসিদা থাবনা ইচম চম্বা মওংদা হায়বদি রশায়নগী হার খক্তং শীজিন্নদুনা থাবদগী চাথোক অসি চাদা ২২গী চাংদা পোখোক হেনগৎপা ঙম্মী হায়বসিনি। মসিগা লোয়ননা থমজনীংলিবা ৱাফমদি আই এন এম পায়খৎপনা লৌফম অদু তুং কোইনা লৈহাও চেনবা মফম ওইদুনা লৌউ পোখোক নিংথিনা পুথোকপা ঙমগনি লোয়ননা লৌফম অদু তুং কোইনা শীজিন্নবা য়াবা লৈহাও চেনবা লৌফম ওইদুনা হৌজিক্কী অমসুং তুংগী মীরোলগীদমক য়াইফবা ওইগনি হায়বসিনি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়গা লোয়ননা প্রোফেসরশিংনা পাঙথোকখিবা কোবিফুল থাবদা ভর্মিকম্পোষ্টকা রশায়নগী হারগা তোঙান তোঙানবা চাংদা য়ান্নরগা অমদি য়ান্নদনা তোঙান্না হাপ্তুনা চাং য়েংবদা রশায়ন খক্তমক শীজিন্নবগা রশায়নগী হারগী চাং ফনা য়াম্না হন্থরগা ভর্মিকম্পোষ্টনা মহুৎ শিনবগা চাথোক্তা পংখেন খেন্নদবগী মওং থেংনখি। চাথোক্তা খেন্নদ্রবসু লৈবাক লৈহাওগী তুং কোইবগী, লৈবাক লৈশা ফগৎপগী অমদি অকোয়বগী ফীভমগী য়েংলগদি য়ান্নরগা হাপ্পসিনা খুদিংমক্তা কান্নবা হেল্লি হায়বা ৱাফমদা লাক্লবা হোৎনখিবা চাংয়েংনি।

হায়রিবা থৌওং অসি অতৈ অতৈ মনা মশিং থাবদসু অদুমক শীজিন্নবা য়াই। থারিবা মনা মশিংশিংগী কাংখুল অমদা ভর্মিকম্পোষ্ট গ্রাম ৩০০ হাপ্পা অদুগা অৱাৎপা হারগী শরুক্লা রশায়ন্না মনাদা কাপ্তুনা নৎত্রগা মখোঙদা হাপ্তুনা মেনখৎপা লোয়ননা রশায়নখক্তমক শীজিন্নবগা চাংদম্নদুনা য়েংবসু য়াই। হায়রিবা মওংসিদা আই এন এম শীজিন্নদুনা পোৎ চৈ থাবগী কাঙলোন অসি পাম্বী খুদিংমক্কী ওইনা থিজিন্দ্রবসু অদুমক মান্নগনি হায়বগী থাজবদি লৈতবা নত্তে।

খঙজিনবা য়াবা অমনা ওর্গানিক্কী হার মখলশিং অসিদা পাম্বীদা মশা ফনা মপূং ফানা হৌবদা য়াম্না লিক্লা খজিক্তমক চঙবা অদুবু চঙদবদি য়াদবা মচন মাইক্রোন্যুত্রিএন্ট হায়রিবা মচিঞ্জাক অসি য়াওই হায়বসিনি। ভর্মিকম্পোষ্টতি মাইক্রোন্যুত্রিএন্ট খক্তা নত্তনা পাম্বীদা কান্নরবা হোর্মোন মখল খরসু য়াওই।

অমরোমদা অমুক খঙজিনবা য়াবা অমনা আই এন এমদা শীজিন্নরিবা পোৎলমশিং অমসুং থৌওংশিং অসিনা লৈবাক লৈহাওদা শীজিন্নরিবা ওর্গানিক্কী পোৎলমশিং অসিবু মচিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নদুনা পাম্বীনা চাবা ঙম্বা মওংদা ওন্থোকপা ঙম্বা কানরবা হিংকুপ (মাইক্রো ওর্গানিজম) কয়া হিংবা ঙমহল্লি হায়বসিনি। পাম্বীদা কানবা পীবা অতোপ্পা হিংকুপশিং খুদম ওইনা লায়না কয়াগী মহিকপু ঙাকথোকপা ঙম্বা, নুংশিত্তগী পাম্বীগী মচিঞ্জাক নাইট্রোজেন ফাজিনবা ঙম্বা অমদি পাম্বীনা ফংবদা ৱাবা, মরানা লাম্বা ফংদবা মচনশিংবু পাম্বীগী মরাগা শম্নহন্দুনা পাম্বীদা ফংহনবা ঙম্বা হিংকুপ (মাইকোরাইজা) কয়াগী মশিংসু হেনগৎহন্দুনা লৈবাক অদু অফবা লৈবাক ওইহল্লি হায়বসিনি। হায়রিবা থৌওং অসিনা তুং কোইবা লৌউ তৌবদা শোয়দনা মতেং পাংগনি।

হৌজিক হৌজিক মণিপুরগী মফম কয়াদা হায়রিবা থৌওং অসি পায়খৎপা থৱায় য়াওবা লৌমী ইচিন ইনাওশিংগী মশা মশাগী লৌফমদা চাথোক নিংথিনা পুথোকপা থেংনবীগনি।

আই এন এমগী অতোপ্পা খুদম অমগা য়েংসি। রবি সিজন্দা হায়বদি নিংথম থাগী মতমদা চুজাক্কা লোয়ননা থবি, মাইরেন, হৱাই খোঙনেম্বী থারিবা মফমদা থারিবা পোৎলমশিংগী লেমহৌখাকশিং লৌবুক্তা খোইজিন্দুনা অমদি মখোয়বু থুনা পত্থ-পুমথহনবা ঙম্বা হিংকুপ য়াওবা হীদাক শীজিন্নদুনা চহী কয়া লৌ উরক্লবা লৌফমদা হৌজিক রশায়নগী হার অমত্তা শীজিন্নদ্রবসু পোখোক নিংথিনা পুথোকপা য়ারে হায়বসিনি। অসিগুম্বা লৌফম কয়া অমা মণিপুরগী মফম কয়াদা লৈরবনি।

মরমশিং অসি লৈবনা মীয়াম্না য়াম্না ঙাঙনরিবা ওর্গানিক ফার্মিংলোমদা মায় ওনশিনবা য়াননবা লম্বী অমা ওইনা অমদি তুং কোইবা লৌউ অমগীদমক আই এন এম পায়খৎলসি হায়বা ৱাফম মীয়ামগী মফমদা থমজরি। ●

## এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

### আই সী সী টি-২০ ৱর্ল্ড কপ-২২

*ইকায়খুম্নজরিবা এছদটর,*

আই সী সী (ইন্তরনেসনেল ক্রিকেত কাউন্সিল) না শিন্দুনা ৮শুবা মেন্স টি-২০ ৱর্ল্ড কপ তুর্নামেন্ত হৌখিবা ওক্তোবর তাং ১৬তগী ওস্ত্রেলিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা হৌদোকখ্রে। হৌদোকপগী থৌরম অদুদা নামিবিয়া অমসুং শ্রী লঙ্কা অনীনা সাইমন্দস স্তদিয়ম, জিলোংদা অহানবা মেটচ ওইনা শান্নবা হৌখি। শান্নবা অদু শ্রী লঙ্কানা টোস ঙমদুনা ফিল্ড হান্না খল্লগা শান্নখিবনি। মদুদা শ্রী লঙ্কাবু নামিবিয়ানা রন ৫৫ দা চাউনা মায়থিবা পীখি। নামিবিয়ানা ওভর ২০ দা ৱিকেত ৭ তুরগা অপূনবা রন ১৬৩ লৌখি। টার্গেত রন অসিবু মায় পাক্লবা হোৎনবদা শ্রী লঙ্কানা ওভর ১৯ দা ৱিকেট ১০ তুরগা রন ১০৮ লৌদুনা লোইশিনখিবদগী আই সী সী টি-২০গী ৮শুবা তুর্নামেন্তগী অহানবা মেটচ অসি নামিবিয়ানা শ্রী লঙ্কাবু মায়থিবা পীখিবনি। হায়রিবা টিম অনীগী মেটচ অসি গ্রুপ এগী অহানবা মেটচসু ওইখি।

ওক্তোবর ১৬তগীনা নবেম্বর ১৩ ফাওবা চত্থগদবা তুর্নামেন্তসিদা পূন্না টিম ১৬না শরুক য়ারি। টিমশিংদুদি- রাওন্দ ১ গ্রুপ এদা নামিবিয়া, শ্রী লঙ্কা, য়ু এ ই অমসুং নেদরলেন্দসনি। গ্রুপ বিদা আইয়রলেন্দ, স্কোতলেন্দ, ৱেস্ত ইন্দিজ অমসুং জিম্বাবৱেনি। সুপর ১২গী গ্রুপ এদা ইংলেন্দ, ন্যুজিলেন্দ, ওস্ত্রেলিয়া অমসুং আফগনিস্তান্নি। গ্রুপ বিদা ইন্দিয়া, পাকিস্তান, সাউথ আফ্রিকা অমসুং বাংলাদেশনি। টিমশিং অসিনা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা তুর্নামেন্ত অসিদা মেটচ ৪৫ শান্নগনি। রাওন্দ ৱানগী গ্রুপ এ অমসুং গ্রুপ বি, সুপর ১২গী গ্রুপ ৱান অমসুং গ্রুপ টুগী মেটচশিং অসিদি সেমিফাইনেল অমসুং ফাইনেলগীদমক ক্বালিফায়র রাউন্দশিং ওইগনি। সেমিফাইনেলদা ৱিন্নর ওইরকপা টিম অনীনা নবেম্বর তাং ১৩দা মেলবোর্ন ক্রিকেত গ্রাউন্দ মেলবোর্নদা ফাইনেল শান্নরগা লোইশিনগনি।

ক্রিকেট মশান্না অসিগী ওইনা ও দি আই (ৱান দে ইন্তরনেসনেল), ইন্তরনেসনেল টেস্ত মেটচ অমসুং টি-২০ (২০-২০) হায়না ফোর্মেত অহুম লৈরি। ফোর্মেত অহুম অসিগী মনুংদা মীয়াম্না পান্নবশিংগী মরক্তা টি-২০ সু য়াওরি। টি-২০ ফোর্মেত অসিদি আই সী সীনা হৌদোকপা কুইদ্রি। অহানবা ওইনা আই সী সী টি-২০ ৱর্ল্ড কপ অসি হৌখিবা কুমজা ২০০৭তা সাউথ আফ্রিকানা য়ূম্বু ওইদুনা হৌদোকখি। মদুদা ইন্দিয়ানা পাকিস্তানবু মায়থিবা পীদুনা ফোর্মেত অসিগী অহানবা ৱর্ল্ড কপ ৱিন্নর ওইখি। ৭শুবা ইদিসন ফাওবদা ৱিন্নর ওইখ্রবা টিমশিংদি- কুমজা ২০০৯দা পাকিস্তান, ২০১০দা ইংলেন্দ, ২০১২দা ৱেস্ত ইন্দিজ, ২০১৪দা শ্রী লঙ্কা, ২০১৬তা ৱেস্ত ইন্দিজ অমসুং ২০২১দা ওস্ত্রেলিয়ানি। ৱেস্ত ইন্দিজদি অনীরক ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে। হন্দক্তি গ্রুপ মেটচতা লৈহৌরে।

টুর্নামেন্ত অসিগী সুপর ১২গী মেটচশিং হৌখিবা ওক্তোবর ২২দগী শান্নবা হৌখ্রে। সুপর ১২গী মেটচশিং অসি নবেম্বর ৬ ফাওবা শান্নরগা সেমিফাইনেল ১ অমসুং ২না নবেম্বর ৯ অমসুং ১০ দা শান্নগনি। হন্দক্কী টুর্নামেন্ত অসিগী ওইনা ইন্দিয়াগী অহানবা মেটচ অসি ওস্ত্রেলিয়াগা ৱার্ম অপকী মেটচ ওক্তোবর ১৭তা শান্নখ্রবা মতুংদা সুপর ১২গী মেটচশিং ওক্তোবর ২৩ দা পাকিস্তানগা শান্নবা হৌগনি। মমাঙ চহীদা য়ু এ ই অমসুং ওমান্দা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ত অদুদদি ইন্দিয়াসি পাকিস্তানগী মখুৎতা য়ান্না চাউনা মায়থিবা নঙখিবনি। মদুনা মরম ওইদুনা ইন্দিয়াগী ফীবম হেন্না লুহনখি অমসুং সুপর ১২গী মেটচশিংদগী সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদে। ক্রিকেট মশান্না অসি অঙকপা অমনি। অকা-অকুম নাইবা মশান্না অমনি হায়বদা থোইদোক্লা অরানবা লৈরোই।

মমাঙগী টুর্নামেন্তশিংদা ৱিন্নর ওইখ্রবা মমিং লৈরবা টিমশিং অশোনবা টিম অমনসু হেক্তা চাউনা মায়থিবা পীবা ঙম্মী। মসিগী খুদম হায়ববু হন্দক্তা নামিবিয়া অমসুং চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা শ্রী লঙ্কা অনীগী অহানবা গ্রুপ মেটচ অদুনি। অদুগা অতোপ্পা অমনা আইয়রলেন্দনা চেম্পিয়ন অনীরক ওইখ্রবা ৱেস্ত ইন্দিজবু মায়থিবা পীরমদুনা আইয়রলেন্দনা সুপর ১২ চঙবা ঙমখিবদুনি। নামিবিয়া অমসুং আইয়রলেন্দ অনীমক চেম্পিয়ন ওইগনি হায়না মীয়াম্না শিংথানবা টিমশিং ওইদ্রিবনি। অদুবু হায়বা ঙমদে, ক্রিকেত মশান্না অসি বেটচমেন অমনা থিঙাও-লাইঙাও নোংলৈ নুংশিৎকুম্না হুন্নিংবা মওংদা হুমখ্রবদি থাজদবা কোমদা ঙা লৈ হায়নবদু থোক্লক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। টুর্নামেন্ত অসিদা প্রাইজশিং ওইনা টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙম্বদা লুপা ক্রোর ১৩.২৫ রোম অমসুং ত্রোফি য়াওরি।

*অদোমগী - মোইরাংথেম দিনকান্ত, ফুবালা*

পাউচে অসিদা ফোংজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।